ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯟ ꯳꯰, ꯲꯰꯲꯲, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯶ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯹꯵ ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ
শগোলশেন, জুন ৩০, ২০২২, ইম্ফাল
৪৬শুবা চহী, ৯৫শুবা মশীং

# পুলিস-পব্লিক রিলেসন্স

## খরগা হেন্না ফগৎহনখিসি

জুন ২৫, ২০২২দা ইম্ফালগী অহানবা মণিপুর রাইফলসকী বট্টালিয়ন হেদ ক্বার্টরগী বেঙক্বিট হোলদা মণিপুর পুলিস দিপার্টমেন্টকী ‘বরাখানা’ পাঙথোকখ্রে। থৌরমদুদা দিরেক্টর জেনরেল ওফ পুলিস (দি জি পি) পি দোঙেলনা মতম অমদা পুলিসকা মীয়ামগগী মরক্তা অফবা, নকশিন্নবা মরী লৈরমদ্রবসু, থন্নমদ্রবসু হৌজিক্তি লৈরে, থন্নে হায়না ফোঙদোকখ্রে। মীয়াম্না পুলিস পর্সনেলশিংবু থাজবা হেনগৎলক্লে হায়নসু ফোঙদোকখ্রে। দি জি পিগী ৱাফম অসিমক অচুম্বনি। পুলিস অমসুং মীয়ামগী মরক্তা অফবা মরী থন্নক্লে, লৈরক্লে হায়বসিগী চপ চাবা খুদম হায়ববু নাকল অনীগী মরক্তা নুংশিনদবা মানবা থৌদোকশিং থোরক্কবা অসিনি। অদুবু হৌজিক লৈরিবা বি জে পিনা লুচিংবা অনীরকশুবা লৈঙাকসিগী অহানবা লৈঙাক্কী মমাঙদা লৈরমখিবা কোংগ্রেস লৈঙাক্কী মতমদদি ওন্থোকপা ফীভম অমদা লৈরুরে হায়বদা হেঞ্জিনবা ৱাহে ওইরোই। লোনা য়াদবা অন্দরগ্রাউন্দ ওর্গনাইজেসনশিংগী এক্টিভিটিশিং খম থেংনা কনখৎলক্তুনা মখল কয়াগী ওফেন্সিভশিং চথ্থরকপা থিংনবগী তঙাই ফরক্ত্রদনা তৌখিব্রা, মতমদুগী লৈঙাক্না থৌওইনা তৌখ্রিবরা কাউন্টর ইন্সর্জেন্সি ওপরেসন্স (সী আই -ওপস) কী অকনবা থবকশিং চথ্থখিবদবু খূৎ থোক্লবা (এনকাউন্টর) নি হায়বা থৌদোকনা ৱাই চাইবমখৈ থোকখি। মণিপুরগী নুপী অঙাং য়াওনা মীচম মীয়াম খোঙদাফম, খোঙনেৎফম ফাওবা লৈতবগী এনকাউন্টরনি হায়বা থৌদোকশিংদা শিবা মীওইশিংগী ঈখেংনা ঙাংশং ঙাংখি। মীকপ-মীরাওখোল, তেংথা-নাওইবা, পেন্দবা খোল্লাউ অমসুং ৱাকৎশিংনা পীক থনখি। খূৎ থোক্লবনি হায়বা থৌদোক্তা শিরিবা মীদুগী য়েনখাদা, শুমাং মতোলদা অমসুং থোঙ্গালদা ফাওবা থোকপা য়াওখি। কনখ্রবা, মীশি-মীনা ময়ামগা লোয়নখিবা সী আই-ওপস অদুদা হায়রিবা থৌদোকশিংসি ষ্টেট ফোর্সশিং খক্তগা থোকপসু ওইখিদে। মপান্দগী কৌশিল্লগা শীজিন্নরক্লিবা সেন্ত্রেল পেরা মিলিটরি ফোর্সেস (সী পি এম এফ) শিংনসু অদুগুম্বা থৌদোক্তু খূৎচাও থাদুনা থোকহনখি। লোনা য়াদবা, থিংলবা লূপ অমগী মীওইদি ফারগা লোগী মতুংইনবা চৈরাক ফংহনবগী মহুত্তা শেমজিন শাজিনবা ৱারী কয়ানা য়োমশিল্লগা নোংমৈনা কাপ-কাপ্তুনা হাৎতোকখি। মীয়াম্না খম থেংনা পেন্নখিদে। পেন্নদবগী মথক্তা কি-হঙ্গোইবসু পোক্লখি। কয়ামুক য়াম্না পেন্নখিদবগে হায়ববু অদুগুম্বা থৌদোকশিংদু তাবা, উবা ঙমশিল্লক্ত্রবা ‘এক্সত্রা-জুদিসল একজিক্যুসন ভিক্টিমস ফেমিলিজ এসোসিএসন’ (ঈভফম) অমসুং ‘হ্যুমেন রাইটস এলর্ট’ (ঐচ আর এ) না সুপ্রিম কোর্ট তান্না চৎতুনা ৱাকৎখ্রিবনি।

অদুবু মরাল লৈবা ঙাক্তা ওইরবসু ৱায়েল চথ্থদ্রিঙৈদা মখূৎ চল্লবশিংনা হিংথৎ-হিংথৎ থদৎতুনা মাঙহনবগী থৌদোকশিং থোরক্ত্রবা মতুংদগীদি মীয়ামদা য়োমশিল্লম্বা অকি-তুজুংবসু তপ্না-তপ্না মাঙখিবদগী পুলিস অমসুং মীয়ামগী মরী মহৌশাগী ফীভমদা হঞ্জিনবা হৌরকপনি। হৌজিক লৈরক্লিবা ফীভমসি ওন্থোক্না মমল য়ামখ্রবনি। ফীভমসি অমুক হন্না মাঙখিদনবা পিরাই ঙাক্লগা চেকশিন্না থমহৌগদবনি। অদুগা হেন্নসু ফগৎহন্নবা হোৎনগদবনি। মস্বাইদদি তঙাইফদনা পাঙথোক্কদবা থবক-থৌরম খরা লৈরি। মসিগী মনুংদা য়াম্না তোয়না, মীয়াম অমসুং মীয়ামগী ষ্টেকহোল্ডরশিংগা হকথেংননা উন্নদুনা ফম্মিন্নবা, মতম-মতমগী ওইবা ইস্যুশিং থোরকপদা মদুবু মতৌ করম্না সোল্ব তৌগদগে হায়দুনা খন্নমিন্নবসু কান্নগনি। মীয়াম মরক্তা থোকহন্নীংদবা থৌদোকশিং থোরকপদা থৌদোকশিং অদুগা মরী লৈনবা কেসশিং লৌখৎপা, চেন্নবা মরাল লৈবশিং ফাগৎতুনা মরালগী মতুংইনবা চৈরাক পীননবা ৱায়েলশঙ য়ৌহল্লক্কদবনি। অসিগুম্বা থৌদোকশিং থোরকপদা কেস লৌখৎলু, মরাল লৈবা মীওইশিং ফাগদবনি হায়দুনা খোঙজং চঙশিল্লক্লবা জে এ সী শেম্বগী মথৌ তাহল্লোইদবনি। মীয়াম্না পুলিসপু থাজরবদি নাকল অনী হেন্না নকশিন্নহল্লকপদা অচৌবা মতেং ওইগনি। মসিগী মথক্তা মরী লৈনবা এক্ট/রুলগী মতাংদা এৱ্যের্নেস অমসুং সেন্সিটাইজেসন প্রোগ্রাম্ন চিংবা পাঙথোকপসু কান্নগনি খল্লি। পেরা মিলিটরি ফোর্সশিংগুম্না সিভিক এক্সন প্রোগ্রামশিং পাঙথোক্লবগী প্রোভিজন লৈজদ্রবসু ইন্টরেক্সন সেসন, গেট-টু-গেদরনচিংবা লো বজেটনা য়াবশিং পাঙথোকপা চুমগনি। অদুগা পাঙথোকখ্রিবা বরাখানা অদুগুম্বশিং খরা কুংশিন্না, চাং নাইনা পাঙথোকপগীসু কান্নবা কয়া লৈগনি। চেদা, ৱায়রলেস সেটতা অমসুং ফোনদা পীবা ইন্সত্রক্সনগা হকথেংননা উনদুনা পীবগী খেন্নবসু থোরক্কনি। ইশম শম্বদা পুলিস-পব্লিক রিলেসন খরগা হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনহন্নীংলি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৪৪

১) “স্বর্গদা অৱাবা অমসুং নুংঙাইবা” হায়বা লাইরিকসি কনানা ইবনো অমদি করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) “পলেমগী খোমলাং অমৃত থক্লিঙৈদগী অহানবা শিন্দম ওইদুনা নৱাগী কোলোই অহানবনা পলেমগী মিংফম কৌনরক্লবা ঐখোয়গী ঈরোল--নুংশিরবা, পাম্মুরবা ইমারোল, মৈতৈলোল অসিসু অয়াম্বদি লৈরাং ইঙেনলৈগী পান্দম ওইরি।” ৱাহে পরেং অসি কনানা ইরম্বা লাইরিক্তা য়াওবা করি ৱারেংদগীনো?

৩) “চন্দন পাম্বী কয়া কয়ানা, /চীং-মাল-নারক শীংলক্তা, /মাং’গুম অরেম্বা উকং ওইদুনা, /পূক্লিং লৈকোলগী অথুপ্পদা, /থারিবা চন্দন পাম্বীদু চেকশিন্না, / কংখ্রনিদো অরেম্বদা।” শৈরেং মতেক অসি কবি কনানা ইরম্বা করম্বা শৈরেংদগীনো অমদি করি লাইরিক্তা য়াওবনো?

৪) “কাওশীং” হায়বা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

৫) “মোহন দাস” হায়বা মণিপুরী লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা করি লাইরিক্তগী কনানা মণিপুরীদা হন্দোকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৮৪

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

চাইথোরকপা ৱাখল

নরেন্দ্র নিংঙোম্বা

লীলা মফমদা ঙন্না য়ৌবা অমদি থেঙনা য়ৌশিনবগী খুদোং চাদবা অনীমক লৈ। থেঙনা য়ৌবগী খুদোং চাদবসিদি চৈরমনি। লীলা পার্টি ফৃগদবনি, ঐখোয়বু উশিত্তদুনা তৌরিনি হায়না খূৎপু শেল্লগা মফি তাখৎ লৈরম্বগসু য়াওরিবনি। থেঙনা কৈসু চৎনীংবা নত্তে। খঙলিবনি মী ময়াম অমনা ঐখোয়বু খৌরাংনা ঙাইদুনা লৈরমগনি হায়বসি, মরম অমা নৎত্রগা অমনা হেক্তা থেঙদোকখি। হোয়, থেঙবা হায়দুনা পুঙ্খায় অমা করি অমা থেঙবদুদি য়াই। অদু নত্তদুনা কা অমা হেন্না থেংলবদি মীনা শাউবা হায়বসিসু মশানা তাবনি। লীলা থেঙবা ঙনবগী ৱারীসি লীজবদা ময়ামদা ৱাখল চমন্নদনবা ৱামাঙ খিতা য়ানজহৌগে। অতৈগী ৱা নৎচদেকো, অতৈ পার্টিগীদি কমদৌবনো খঙজদে, নীংশিংজরিবসিদি ঐগা শাগোন্নরকপা ঐগী পার্টিগী ৱানি। লীলাগী মতমসি খরা খায়দোকচৈ, মসি ঐখোয়গী খুদোং চানবগীদমকনি হায়রবসু কায়দে। নুংথিল পুং ১-৩-৬-৯-১১.৩০ হায়দনা শোগী মতমসি লেপচৈ। মসিগী মমাঙদা তৌবা তারগনা অয়ূক পুং ১১, মদুগী মমাঙদনা অমুক পুং ৮/৮.৩০দা হৌবা অসিনি। মসিদি সরশ্বতি পুজাগী মতমদা তৌই। অদুগা করিগুম্বা মতমদা চাকচা হৈজানবদা তঙাইফদনা তৌবসু অদুম য়াওই। ময়াম্নদি থাজবীরোই, অয়ূক পুং ৮দা লীলা হৌবা কোকথোং অমা য়াওখ্রে। অদু মী অদুম য়েংই। চাক চানবগী থোংনবা মী লাকপা হৌবদা ঙাইরিবা মতমদা ঐখোয় লীলা হৌজিনবা য়াওই। তৌবুদি মদু অখন্নবগী ৱানি। অদুগা লীলা থেঙবসিনা নোংয়াই মতুং পুং ১.৩০/২দা হৌবসু য়াওখ্রে। মসিসু অঙকপা অমনি।

ময়ামগী চৎনরিবা চাংদাসিদা লীলা কৌবীবা লাকপা মতমদা হায়নজবসি ঐখোয়না পীজরিবা মতমসিগী মনুংদা অপাম্বা মতম খনবদুনি। অয়াম্বনা লীলাসি পুং ৯গীসি ওইনা লোইনা পাম্নে। চাক ঈশিং চাবা তোক্লরগা ফজনা য়েংবা য়াবা। পুং ৬কীসিনা, নুমিদাংৱাইরমগী লাই ধুপ থানবা মতম ওইবা (সনধ্যা কাঙহৌ হায়না খঙনৈ) মসিগী মতমসিমদি চাক ঈশিং থোংদৌবা কৈদৌদৌবা লৈবনা কয়া পাম্নদে। অদুবু মতম ফংনদবনিনা তৌবগীদি অদুম তৌই। নুংথিল পুং ৩ গীসিনা লীলা লোইরকপদা ইমুংগী থবক ইনখাং লোইনা নংনবগী মতমদুনি, মসিসু অপাম্বা য়াম্না লৈ। মতম ফত্তবনিনা নুংদাংদা লীলা তৌবদা খৎন-চৈনবা য়াওরদি নুংঙাইতে হায়দুনা ঙন্তা তৌবসু য়াম্না লৈ। অথেংবা পুং ১১.৩০গা হায়বসিদি ঐখোয়বু য়াম্না পামজরবা কাঙবুগীনি। মতমসিদনি চৈ য়াম্না নীনরিসি। অঙনবা মতমদা লৈবা লীলাদু ঙাইহাক ঙাইবিখো হায়না মিনট ১০/২০ থেঙথবদা অরোইবা শোদদি মিনট ১০দং থেঙথবদা লীলা অহুমগী মিনট ৩০, মিনট ২০ থেঙথরগনা পুং ১ মশানা থেঙথবা তাবনি। অদুনা ঐখোয়না য়াম্না কন্না হায়জরসু লীলা ঙন্না হৌবা অসিমদি য়াম্না খুদোং হেক্তা চাহৌদে, হেক্তা থেঙথখি। পুং ১১.৩০দা হৌগদবদু পুং ১ থেঙথরদি নোংয়াই মতুং পুং ১ তাদৌরে। মতমদুদা লীলা শান্নবনি হয়না চৎশিল্লুরদি করি ওইবা তাই। ঙল্লিঙৈদদি মিনট খরা থেঙথবা, পুঙ্খায় অমা থেঙথবা কৈসু হায়রমদে। য়াম্না থেঙবদুদা পুং ১ চোন্থরবদি মশানা চৈতুপ পায়রগা ঙাইরম্বা তাবনি। কনানা লীলা কৌই, লীলা কৌবা মী থোরকউ হায়না য়ু ঙাওবশিংগী য়ুনৈফম ওন্থোক্লে। পুং অদুক্তা হায়নবনি হায়রগনা, ‘করি লীলা পার্টিনা ঐখোয় লৈকায়সি উশিত্তদুনা তৌরিনি। মখুরাইদু থুদেক্লগা ফগদবনি। ঙসি লাক্তা লাকখিসনু থবক তৌগে’ হায়দুনা খু খু কামখৈ ঙাই লৈরম্বদু ঐখোয় মায়োক্লবা তাই।

অদুগুম্বা তাঞ্জাদুদদি লীলা পার্টিসু লোইনমক গাড়ীদা পূন্না চৎলগনা কনামত্তা কুমথৌ হায়বা য়াররোই। মকোক মরূ ওইরিবা ঐখোয় অমা অনী কুমথরনি অদুগা ঙাঙনরনি। ময়ামদুনা শাউদুনা লৱাইসিদা লাউথদুনা থীনা চৈরসু, খাঙবা তাই, ময়ামদু থেমজিল্লগা, ৱারৌদনবা কন্না হায়নৈ। মফম খুদিংদা ঐখোয়বু শাউবা লৈরল্লবসু, ঐখোয়বু নুংশিবীবা মীসু অদুম মথোরকই। মখোয়না মীচং চঙবীদুনা, “মীগীসু নাতৈ চাদদনা তৌজরিনি। লাকপদি লাক্লিসিদি” হায়না ময়ামদু থেমজিনবা য়াওবীবা কোঙ্গাই অমসু লৈ। উচিন নাচিন্না য়ানরবা মতুংদা ‘য়াম থুনা হৌজগে, ময়াম ৱারৌবীবা য়াদে’ হায়দুনা খুরুমদেদা খাকপমখৈ ঙাঙনবজাৎনি। অদু কান্দুদতা ময়ামদু গাড়ীদগী কুমথনৈ। খরা ঙল্লিঙৈ সাইকলদা চৎনবা ওইরগনা, লাপ্তক্না সাইকলদু খাল্লগা ঈরাং য়েংলগা চঙলক্কদৌরিনি। ঐখোয়না অদুম মাঙ থাদুনা অফবগীবু ওইরসু ফত্তবগীবু ওইরসু ঙাঙনরিবনি। অদুনা ফনা য়াম্না শাউনীংবা লৈরসু, অশাওবা ফাথবা হায়বসি তঙাই ফদে। শাউনীং শাউনীংবা ৱাগসু য়াম্না হায়খ্রজাৎনি। মমায়দুদা খূৎপাক্না থাজিল্লুনে, ফূরগা ফদৌনি। হৌজিকপু অসুক থেঙলকানসিদা, উশিত্তদনা তৌরিনি গাইনা চৈরথরকপদু, থেম্নবা হোৎনবা শাউবগাইয়ে, ওন্থোক্না ৱাখ্রজাৎনি। অদুগুম্বা মফম খরদা অরৈবা ভাবোকশিংদুগীদমক লীলা শান্নরকই। অফাও শাবা কাঙবুনা মাইকতা ঙসি লীলা তৌররোই হায়না নিশা খাইদুনা লাউথোকপদগী তূমিন লৈজগদবা ময়ামদু তানবগসু য়াওরিবনি। ময়াম তিল্লদি মখল মখলগী মী থোরকই হায়দুনি। ভাবোক অমত্তা লৈরমদবা লোইনা কায়খ্রগা অকন অথৌ শাবা ঙাক্তা লৈরম্বসু কোঙ্গাইনি। অদুগুম্বদুদা ইরান লাঞ্জদবা ঐখোয়সে, ইরালনা মপোৎ ফাবগুম তূমিন খুমদনা লৈরগা লীলাগী শেল শীংবা অমদি মথংদা ফ্রীদা শান্নবগসু য়াওখ্রবনি। মসি মশীং য়াম্না থোকখি। অসিগুম্বা কয়া অমসু থোক্তবা নত্তে। লোইনমক হেক্তা ফবা নত্তে। অৱাবা কোঙ্গাই অমা থেঙনবা ঙাক্তনি। লীলা য়েংবীবশিংনবুদি, ঐখোয়না তৌজবা খরদুদা পংনুংদা নুংঙাইবীবা, হৌজিক ফাওবা ৱারীনবিবা, অদুগা ঐখোয়না খুদোং চাদবা মতমদুদা থোকখিবা কয়াদুদি কনানসু খঙবীবা নত্তে।

লীলা থেঙবসিগী মরম কয়া অমসু লৈ। মদুসু মতেক অমতং নীংশিংহৌবদা ময়াম্না নুংঙাইগনি খল্লি। লীলা অঙনবদগীনা অথেংবা ফাওবা লৈ হায়বসি লীলা পার্টিদুনা লোইনা খঙই। অদুবু ৱাবা কৌবনিনা তূমশিনখিবদগী হৌগৎত্তদুনা মতম চানা লাকপা ঙমদবদগী থেঙবা। মা অমা য়াওদ্রদি য়াদবনিনা মাবু ঙাইবা তাবা। মসি নত্তবদা লীলা পার্টি হায়সিদি মী মখল য়াম্মী। ঙরাং লীলা চৎলুবদগী ময়ূমদা হন্দদুনা য়ু থকচিল্লগা পংখৈ ঙাওরগা য়ু য়োনফমদা তূমশিন্দুনা লৈবসু য়াওই। মসি ঐগী পার্টি মক্তদা থেঙনখ্রবনি। ময়ূমদা চৎলুরবসু ঙরাংদগী হল্লকত্রি মহায়বা। মসিমক্তি পল্লরোই, ঐগী ইথক থোংবনি। হৌজিক্তি লৈখিদ্রে, ঐনা মাগী থোঙ্গাল ফাও ঙরাং নুংদাং থিল্লম্মগা, হয়েংদি ঙনসিকো হায়রম্মীবনি। অদুগা ময়ূমদা হল্লক্তে, হায়বদু তাবদা ঐ কোক ঙাওখি। মা লীলা ওফিসতা লাকমন্দ্রে হায়দুনা ময়ূমদা ঐখোয় ময়াম চৎলগা থিরুবনি। ঐনা লৈকায়দুগী মী খরদা মথং মথং হংনবদা মহাক য়ু য়োনফম অমগী য়ূমদা তূম্মগা লৈহৌই হায়না তাক্লকপদগী নমদুনা চিংখৎলগা পুরগা লাকপা য়াওখ্রে। মহাক কুইদে, নোং ঙানবগা অদুম লৌথোক্লে হায়বদি তোকহনখ্রে। অসিগুম্বা য়াওদবা নত্তে। অমনা লীলা অঙনবগী কাঙবুদুনা মী তিনবা ৱাৎলি ঙাইহাক্তা ঙাইবীখো হায়দুনা মরৈ মরাং তৌদুনা লীলা হৌহন্দবা অসিনি। অদুনা খজিক খজিক থেঙখিবদগী অরোইবদদি য়াম্না থেঙবা য়াওখিবনি। অতোপ্পা মরম অমনা লীলা মফম অমদগী মফম অমদা চৎপদা গাড়ী য়ারক্তবা, মসিসু অচৌবা প্রোব্লেম অমনি। ঐখোয়না প্রোক প্রোক চাক্তুনা তৌরবসু গাড়ীদুনা য়ারক্ত্রবদা কমদৌগনি, পাম্বৈ লৈতে। শেল্লগা থৌরকপা তাবনি। শেম্বদা থোক্তবদগী লম্বীদা অদুম পন্দুনা লৈবা, লীলা মফম য়ৌশিনবা ঙমদবসু য়াওই। অদুগুম্বা সিচুএসন অদুদদি নোং ঙাল্লগা উচিন নাচিন্না মফমদু পাম্বৈ অমা তৌদুনা য়ৌরগা অশেংবা ৱারীদু লীরগা, অমসু অমসু শাউদনবা থেমজিন্নরগা কোন্না নুমিৎ লেপ্পরগা লীলাদু তৌই। মদুদা চঙখিবা মৈগী, মাইককী অমদি অতৈ এরেঞ্জমেন্ট কয়াগী চার্জ লীলা পার্টিনা লোইনা তিংই। মদু নৎত্রগনা ঐখোয়না লাকপগী গাড়ীগী ভারাদং পীবিরো অদুগা লীলাদুদি ঐখোয় ফ্রীদা শান্নজরগে হায়দুনা শান্নবসু কোঙ্গাই অমা য়াওখ্রবনি। তমজরিবসিদা ভাইওলেন্ট ওইবা য়াওদ্রি। মদুগী মতেক অমতং তমজরগা ঙসিগীদি লোইশিনজরগে। লীলা মফম হেক য়ৌবগা ময়ামগী মোব হায়বসিদি থিংলুবা ঙম্বা নত্তে। ৱা অমত্তা ঙাঙনদ্রিঙৈদা অমনা গাড়ীগী মিংশেল পোপ পোপ হেক্তা থুগাইবা হৌরকই। কনাগী চৈতুপ-ৱাতুপ ময়ামদুনা পোপ পোপ হেক্তা কনথরকপা মফম য়াওখ্রে। হোয় অদুবু কুইবদি নত্তে, মথোং চাদবা অমা অনীগী ৱানি। ময়ামদুনা অদুমক্তি তৌনু হায়দুনা খামজিন্নরগা ৱারী ফজনা শানরগা লীলা শীংবা য়াওই। নোইগী লীলাসিদি য়েংলরোই, অতোপ্পা অমা কৌরনি। মদুগী মমল পীগদবনি হায়না দিমান্দ তৌবদগী হোয় পীরগে হায়দুনা পীরম্মগা খূৎ হাঙনা হল্লকপসু কোঙ্গাই অমা য়াওখ্রে। শুমাং লীলা হায়বসিগী মরুমদা মখল কয়াগী থৌদোক ৱাথোক ময়াম অমা লৈরি। লোইবা নাইদ্রি। ●

# টাইৱানসি পুমচাই চাইরে হায়বদুনি

- ডা. ঙাঙবম শান্তিকুমার -

কোভিদ-১৯ লাইচৎনা অহানবা টাইৱান্দা খোঙদারকপসি কুমজা ২০২০গী জন্যুৱারী ২১দনি। চহী ৫০ মুক শুরবী চাইনাগী ৱুহান সিটিদা ওজা ওইদুনা লৈবা টাইৱানগী নুপী অমনা পুরক্তুনা ইহান হানবা পোজিটিভ কেস ওইখি টাইৱান্দা। অদুগা ইহান হানবা শিবগী কেসনা ফেব্রুৱারী ১৬তা ওইখি। অসুম্না লাইচৎ অসি তপ্না তপ্না শন্দোরকপনা চৈচৎ ২০২০গী এপ্রিল থা ফাওবদা পূন্না মীওই ৩০৭ পোজিটিভ কেস লৈখি অদুগা শিবগী মীশিংনা শুপ্নগী মীওই তরেৎনি। হান্না পাল্লম্বা লৈঙাক্কী অফবা খোঙথাং ইন্দুনা চেকশিন্না হোৎনবদগী অহানবা কোভিদ-১৯গী তাঙ্ককসি য়াম্না মায় পাক্লা ঙাকথোকপা ঙমখিবা অদুদা অতোপ্পা লৈবাক কয়ানা টাইৱানবু থাগৎনখি, ঐহাকসু চাওথোকচখি। অদুবু লাইবক থীবদি মালেমগী লৈবাক কয়ানা টাইৱানবু কোভিদ-১৯ লাইচৎ লান্থেংনবদা য়াম্না মায় পাকই হায়দুনা থাগৎনরকপা অদুদা হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা মশানা মশাবু হেনজিন্না থাজজখিবা (ওভর কনফিদেন্স) অদুনা মরম ওইদুনা নাপল কারুবনা, চৈচৎ ২০২১গী অথেংবা এপ্রিল থাদা পোৎচৈ পুবা চাইনা এয়রলাইনগী পাইলোট অমদি ক্রু মেম্বরশিংনা (টাইৱানগী এয়রলাইননি, চাইনাগী নত্তে) অলফা ভেরিএন্ট হায়রিবা কোভিদ-১৯ মহীকশিং অসি ইংলেন্দগী পুশিল্লক্তুনা টাইৱান ইন্টরনেসনল এয়রপোর্টকী হোটেল অমদা ক্বারন্টিন তৌদুনা নুমিৎ ১৪ লৈগদবদা শুপ্নগী নুমিৎ হুমনিখক (থ্রী দেজ) লৈরগা ময়ূম ময়ূমদা হল্লকখিবা অদুগা হোটেল অদুদা অতোপ্পা পেসেঞ্জর লৈবশিংগসু ক্রু মেম্বরশিং অসিগা তোৎন-শম্নখিবনা টাইৱানগী মফম খুদিংমক্তা লাইচৎ অসি খোঙজেল য়াঙনা শন্দোরকখিবনি।

মসিগী মথক্তা টাইৱান্দা কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পা হৌবসি য়াম্না থেঙনা হৌখি টাইৱান লৈঙাক্না মপালদা ফংবা ভেক্সিন লৈদুনা কাপ্পগী মহুত্তা টাইৱান্দা শাবা ভেক্সিন ওইনা কাপহন্দুনা শেল তান্নবা হোৎনরিঙৈদা। অদুবু মীয়াম্না চৈনরকপদগী লৈদ য়াদদুনা লৈরুরে। মদুসু খ্বাইদগী মীয়াম্না থাজনবা ভেক্সিনদি লৈদবীদা জপানননা শীজিন্নবা পামদ্রে হায়দুনা হোঙনা য়োন্থোরকপা ভেক্সিন লৈরুবনা মীয়াম্না ভেক্সিন অদু কাপখিদে। ভেক্সিনগী মমীংদি পঞ্জররোই। হায়রিবা ভেক্সিন অসি কাপ্লুবা মীওই কয়া হকচাংদা কা হেন্না নুংঙাইতবা অমদি শিবা য়াওরকপদগী মীওই কয়া অমদি হায়রিবা অহানবা পুশিল্লকপা ভেক্সিন অদু কাপনীংখিদে। ঐহাক ইশামকসু হায়রিবা ভেক্সিন অসি কাপনীংদে হায়দুনা “Moderna” হায়রিবা জর্মনিদা শাবা ভেক্সিন অসি ওইনা অনীরক কাপখিবনি কোন্না। অসুম্না হেন্না ফবা ভেক্সিন কাপ্নবা হায়দুনা মীওই কয়াদি ইহান হান্না পুশিল্লকপা ভেক্সিন অসি কাপখিদে।

মতুং তারকপদদি তোঙান তোঙানবা মখলগী ভেক্সিন কয়া পুশিল্লক্তুনা মীওই অয়াম্বা ভেক্সিন কাপ্নখি। অদুম ওইনমক ভেক্সিন অমত্তা কাপ্লরোই হায়না লৈবা মীওই কয়া অমসু য়াওরি অদুগা মীওই কয়া অমনা অহুম্লক কাপ্পসু য়াওরে। থেংনা ভেক্সিন কাপ্পা হৌবগা, মীওই কয়া অমনা ভেক্সিন কাপ্তবগা, অদুগা লৈঙাক্না ওভর কনফিদেন্স লৈদুনা চেকশিন খোঙথাং কয়া লৌখৎহৌদবগা, চৎলিবা চৈচৎ ২০২২গী এপ্রিল থা হৌরকপদগী লাইচৎ অসি খংহেন হেন্না ঈশিং ঈচাওগুম শন্দোরকপা অদুনা অহানবা চৈচৎ ২০২০দা শুপ্নগী মীওই ৭ শিরম্বা অদুনা ঙসি জুন থা লোইশিল্লকপা ফাওবদা মীওই লিশীং তরুক হেন্না (৬,৩৪৫) লমখাংদা পুন্সি লোমখ্রে। লোয়ননা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ কেস শুপ্নগী মীওই ৩০৭ খক ওইরম্বা অদুনা ঙসিদি লাখ ৩৬ হেল্লে (৩৬.৪ লাখ)। মীওই অসুক য়াম্না পোজিটিভ ওইহন্দুনা খঙহৌদনা তেল্লবা থা অহুম ফাও ফাবাত্তবা মতমসিদা মীওই লিশীং তরুক হেন্না শিহল্লিবা অসি থোক্লমদবা য়াবনি করিগুম্বা ঙসি পাল্লিবা লৈঙাক অসিনা নাপল য়াওদনা অখঙ অহৈশিংগী ৱা লৌদুনা কোভিদ-১৯গী চৎন-কাঙলোন ইন্দুনা হান্নগুম চেকশিন খোঙথাং নৎত্রগা লোকদাউননচিংবা খোঙথাং লৌখৎলম্লবদি।

চৎলিবা চৈচৎ ২০২২গী মে থাদা নোংমদা মীওই লিশীং ৪০/৫০ পোজিটিভ ওইবদগী মীওই লাখ অমগা লিশীং কুন্নিপাল হেল্লবা ফাওবা (১,২৮,৯৫৪) য়ৌদুনা নুমিৎ হুমনি থংন-থংননা মীওই ২০০ হেন্না শিরবা ফাওবদা ঙসি পাল্লিবা টাইৱান লৈঙাক্না করিগীদমক লোকদাউননচিংবা খোঙথাং অমত্তা লৌখৎত্রিবনো হায়বগী ৱাফমসি নৈনরকপদা অখঙ অহৈশিংনা টি ভিদা নৈনবদা তাবা ফংলে। খ্বাইদগী অহানবদা টাইৱান্দা লোকদাউন তৌদবগী মরম অমা হায়রগদি পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরনা অনীশুবা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসি শন্দোকপা হৌরকপদা মশাগী লৈঙাক অসিদা য়াম্না হেন্না থাজবা থমদুনা নাপল অমগা লোয়ননা টাইৱানগী নেসনল ন্যুজদা চাইনাদা লোকদাউন থম্বগুম টাইৱান্দদি লোকদাউন শুংতৌ তৌদনা কোভিদ-১৯ লাকশিনগনি হায়না লাউথোক্লুবা অদুগী মায় য়েংদুনা লোকদাউন থমদবা অসিনি। অতোপ্পা অনীশুবা মরম অমনা, টাইৱান লৈঙাক্না লৈশিল্লুবা ভেক্সিন ময়াম অদু এক্সপ্যার ওইদ্রিঙৈদা কাপথোকহনবা লোয়ননা টাইৱান্দা শাবা ভেক্সিনশিং অসিসু কাপথোক্লবা হোৎনবা অসিনি। অদুগা অহুমশুবদা, কোভিদ-১৯ টেষ্টিং কিটস (পি সী আর) শিং অসি য়োন্দুনা লৈঙাক্না শেঞ্জাও তালহৌবা হায়বা মরম অসিনি। হায়রিবা ৱাফমশিং অসি টি ভিদা খন্ন-নৈনবদা ফোঙদোরকপনি অখঙ অহৈশিংনা।

চৎলিবা চৈচৎ ২০২২গী এপ্রিল থা হৌরকপদগী অনৌবা কোভিদ-১৯ অলফা ভেরিএন্ট খঙহৌদনা ঈশিং ঈচাওগুম শন্দোরকপা হৌরকপদগী রেপিদ টেষ্টিং অসি মীপূম খুদিংমক্না তৌবা য়াদবগী য়াথং লৈঙাক্না থমজিল্লকপদগী টাইৱানগী মীওই লাখ ২২৫ হেনবনা রেপিদ টেষ্টিং কিটস লৈবদা লুপা লিশীং লিশীং চাদিং তৌই। ঐখোয় ইমুং খক্তনা লুপা লিশীং ২০ হেন্না চাদিং তৌরিবনি। অদু ওইরবদি টাইৱান পূম্বগী মীয়াম্না লৈঙাক্তগী টেষ্টিং কিটস লৈবসি শেল য়ামখ্রে। মীয়াম পূম্নমক্না শীজিন্নবনা লৈবা ফাওবা ফংদবনা অয়াম্বনি। রেপিদ টেষ্টিং কিটস (পি সী আর) অসি লৈনবা হোৎনবদা মীয়ামসি ফার্মাসি, ক্লিনিক অমদি হোস্পিটালগী নাকলদা শাংনা শাংনা লেপ্তুনা ঙাইনরিবনি পুং কয়া কয়া। হৌজিকসু টেষ্ট তৌবা লেপত্রি, মরু ওইনা ভেক্সিন শুংকাপ কাপ্তবা নৎত্রগা অনীরকখক কাপ্পা কাঙবুদি টেষ্ট তৌবা মথৌ তাহল্লি। ভেক্সিন অহুম্লক কাপ্লবা মিলিটরিদা লৈরিবা ইচা ইনাও ফাওবা মশীং খঙদনা রেপিদ টেষ্টিং তৌরিবনি। টাইৱান লৈঙাকসিনা নুমিৎ তরানিদা ওইরবসু লোকদাউন থমদুনা কোভিদ-১৯ লাইচৎ অসিগী মরী (কোভিদ-১৯ চ্যেন) অসি ককথৎতুনা মীয়াম্বু কন্নবা হোৎনবগী মহুত্তা মীয়ামগী পুন্সিবু লুকমাইদা হাপ্তুনা মখোয়গী মীংচৎ কন্নবা অমদি শেন্দাল লম্বী ওইনা শীজিন্নরি। অসিগুম্বা থৌওং কয়া অসি উবা ফংলকপদগীনি মতম অমদা টাইৱান্দা দেমোক্রেসি ৱাংনা চৎলি হায়না চাউথোকচরম্বা ঐহাক্কী ৱাখল হোংলকখিবা। ফরদি ফৈ, ফৎত্রদি ফত্তে হায়বা তাবনি। ●

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।